মুক্না কাংজৈবু লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙদুনা মপূং ফানা য়োকখৎপীরবদি মালেমগী থাক্তা লায়না পুখৎপা ঙমগনি : এম জিবনকুমার

অলকা থোকচোম

ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচ এন এস): লমদম অসিগী য়েলহৌ মশান্না অমা ওইরিবা মুক্না কাংজৈ অসি অতোপ্পা মশান্নশিংগা য়েংনরুবদা তোপ-তোপ্পা মশান্না মখল অমা ওই। মরম অদুনা মশান্না অসিবু ফজনা য়োকখৎপীদুনা অমদি মালেমগী থাক্তা পুখৎতুনা লমদম অসিগী য়েলহৌ মশান্না অসিবু মীপূম খূদিংমক্তা খঙহন্নবা লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙদুনা থবক পায়খৎফম থোকই। মুক্না কাংজৈবু য়োকখৎপা পাম্বৈগীদমক চেন-চোংজরিবা শান্নরোয়শিংনা মালেমগী থাক্তা পুখৎপা ঙল্লোই। লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙদুনা মশান্না মখল অসিবু য়োকখৎফম থোকই। মসি লৈঙাক্কী তৌফম থোকপা মথৌনি হায়না মশাগী চহী ৪৮ রোম শুরবা জিবনকুমার মোইরাংথেমনা ফোঙদোরক্লি।

ওল মণিপুর মুক্না এসোসিএসনগী জোইন্ট সেক্রেটরি থৌ পুরিবা জিবনকুমারনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না শগোল কাংজৈ হায়রিবা মশান্না অসি মহাক্কী ওজা অমদি অহল-লমনশিংনা তাকপীরম্বগী মতুংইন্না লাই হাক্তক ৩৩ এ দি নিংথৌ কাংবনা পানবা মতমদগী হৌরকখিবনি। মতমদুদগী হৌনা শগোল কাংজৈ অমদি খোঙ কাংজৈ হায়রিবা মশান্না অসি মীয়াম্না পাম্না শান্নদুনা লাকখিবনি। খম্বা নোংবান মতমদগী খুন্থক খুনখা মুক্না অমদি মুক্না কাংজৈ লম্বা তৌনদুনা পাঙ্গল য়েংনরকখিবা মশান্নশিংনি। মশান্না অসি মীতৈশিংগী নুপা ওইবগী পূন্সিদা য়াম্না মরু ওইবা ওইনা ঙল্লিঙৈ মতমদা লৌনরম্মী। হৌজিক্তি মশান্না অসি কা-হেন্না শান্নবা উখিদ্রে। মশান্না মখল অসি মতম চানা য়েংশিনহৌদ্রবদি চহী খরগী মতুংদা মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরে। হৌজিক্কী মতমদা মশান্না অসিনা মীওইবদা নৎত্রগনা শান্নরিবশিং অদুদা কা-হেনবা খূদোংচাবা পীবা ঙমদবনা তোঙান-তোঙানবা মশান্নশিংদা ওইনা হৌগৎলক্লিবা নহাশিংনা মায় ওনশিল্লক্লি। খোংজোম লানগী মতুংদগীদি মশান্না অসি য়োকখৎপগী মমি চাওনা তারমখি। অদুবু মীওইবগী হোংলক্লিবা পূন্সি মহিং অমদি মপান লমগী মশান্না কয়া চঙলকপনা মীতৈগী ওইবা য়েলহৌ মশান্না কয়া তপ্না-তপ্না মুৎশিল্লক্লি। মসি লৈঙাক অমদি স্পোর্টস ওথোরিটিগী অশোনবনি হায়না লৌই। অহলশিংনা থৱায় য়াওনা য়োকখৎনবা হোৎনবীরম্বা মশান্নশিংগী মনুংদা মুক্না, মুক্না কাংজৈ/খোঙ কাংজৈ অমদি য়ুবী লাকপী মশান্নশিংগী মরাইবক তম্বা ঙমদ্রবা ফীভম অমদা লৈরি। মহাক মশাগী ওইনা কুমজা ১৯৯৯ অদুৱাইদগী হৌরগা মুক্না মশান্নদা কা-হেন্না থৱায় য়াওরকখি। মেরা হৌচোংবগী থৌরমদা মনুং কাংজৈবুংদা তুরেল লুখাই অনী হায়না মিংথোনবা ওল মণিপুর মুক্না এসোসিএসননা শীন্দুনা শান্নখিবা অদুদা মহাকসু শরুক য়াখি। অহানবা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিজিনিয়স গেমস টুর্নামেন্টতসু মহাক শরুক য়াখ্রে। সঙাই ফেষ্টিভেলদা মশান্না অসি চহী খূদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকখি। মদুদসু মহাক অদুম্মক শরুক য়াদুনা লাক্লি। মসিদা নৎতনা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা পাঙথোকপা মুক্না কাংজৈদা মহাক শরুক য়াদুনা লাকখিবনি। অদুবু মশান্না অসিগী ওইনা লাইবক থীবা হায়রগদি ঙসি ফাওবদা মরী লৈনবশিংনা মশান্না অসিবু শকখঙবীদুনা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবীদবা অসিনি হায়খি।

মহাক্না হায়, মশান্না অসিগী শান্নবগী মওংদি তোপ তোপ্পী। মশান্না অসিদা শেৎকদবা ফিজেলসু তোঙাল্লি। খুদৈ অমদি পানা-পানাগী ওইবা ফুরিৎ মচুশিং শান্নবদা লিৎকনি। কাংজৈ অকোনবা ফুট ৪ রোম শাংবা লীগী মরূনা শেম্বা ওইগদবনি। পানা অনীগী ওইবশিংনা লম্বা অনী-অনী শেমগনি। খা পানা, অৱাং পানা, অহল্লুপ পানা, নহারুপ পানা হায়না পানাশিং শেল্লবা মতুংদা পানা অমদা মী ৭/৭ লৈগনি। কাংদ্রুমনা ৱা মরূ অরিবা মশিং নাইবা চৈনা য়ৈবদা কায়রোইদবা য়েংলগা শাবনি। কাংদ্রুম শাবা লোইরবা মতুং শুনু অঙৌবা তৈগনি। মদু অথাপ্পদগী য়ৈরকপদা লাপ্পা উবা ঙম্নবনি। শান্নবুংগী ওইবা পাক চাওবনা মরাক্তা গুজ ১০০, ময়ুংনা গুজ ২০০ ওইগনি। শান্নরোয় খূদিংমক মাগী-মাগী পানাগী মচুগী ওইবা কিশি ফি খ্বাঙদা য়েৎকনি। মশান্না অসিগী মতাংদা হৌজিক হায়বদা হৌরক্লিবা নহাশিংনদি ৱাখল তাবা ৱারগনি। মরমদি মসি মতম শাংনা শান্নরক্তবননি। করিগুম্বা মতমদা মখোয়না হন্দ্রে হুনবা হায়বা ৱাহে অসি তারগসু করিনো হায়বা খঙবা ঙল্লরোই। অসিগুম্বা ঐখোয়গী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা মশান্না অসি মুৎখিদনবা হোৎনবা হায়বসি মীয়ামগী থৌদাং খক্তা নত্তে, লৈঙাক্কীসু য়াম্না চাওবা থৌদাং চঙই হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মুক্না কাংজৈ নৎত্রগা খোং কাংজৈ অসি হৌজিক মিজোরামগী য়েলহৌ মশান্ননি হায়না এন সী ঈ আর টিগী লাইরিক্তা য়াওরকপা অসি মশান্না অসিবু য়োকখৎনবা কন্না হোৎনরিবা শান্নরোয় অমা ওইনা তাবদা অদুক্কী মতিক থম্মোয় শোকই। মশান্না অসিদি মিজোরামনা ষ্টেটহুদ ফংদ্রিঙৈ মতমদগী মণিপুরদা লৈরক্লবা মশান্ননি। নিংথৌ কাংবনা কাংদ্রুমগা কাংজৈগা শান্নবগী ৱারী ঙসিসু মণিপুরগী অরিবা লাইরিকশিংদা য়াওরি। মসি শেমজিন-শাজিনবা নত্তে। অদুবু মিজোরামদগী হৌরকপনি হায়রিবসিদি য়াম্নমক লাইবক থীবনি। মসিগী মতাংদা লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙফম থোকই। থৌওং অসিদি মীগী চাক্লুক্তা খুজাই থাংজিনবনি হায়না লৌই। ঐখোয়গী লৈঙাক্না মতম চানা য়েংশিন্দবদগী মণিপুরগী উ মোরোকনি হায়না চানরম্বা অদু হৌজিক্তি নাগালেন্দগীনি হায়খ্রে। অসিগুম্বা লাইবক থীবা থৌদোকশিং অসি মখা তানা থোক্লক্তনবা মণিপুর লৈঙাক্না অহেনবা মীৎয়েং চঙফম থোকই। ঐখোয়গী পুৱারীগা লোয়নরক্লবা চৎনবী অমদি য়েলহৌ মশান্নশিং অথুবা মতমদা লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবীদুনা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎপীয়ু হায়খি।

মহাক্না হায়, মহাকপু তাকপী-তম্বীরকপা ওজাশিংগী মনুংদা মিং ওইনা পল্লবদা- এল নরমযাত্রা কাংহাই, এস চাওরেন, এস য়াইস্কুল, আই বিজয়, এম কুঞ্জো, এম ইঙোচা, এম কন্দেভা, এম কুল্লবিধু অমসুং এন ইবোমচানি। ওজাশিং অসিনা মতম অমদা মশান্না অসিবু য়োকখৎনবা কথোকপগা লোয়ননা হোৎনরকখিবা কয়া অদু অরেম্বদা তারগদ্রা খল্লুবদা ৱাখলদা লৈতাদবা ফাওই হায়খি।

জিবনকুমার খাঙবোক পার্ট-৩ মখা লৈকাইদগী এম খুসাই অমদি সাইখোম নিংঙোল মোইরাংথেম ওংবী কৈন্যসনাগী মচা অহলনি। মহাক লাইশ্রম অনন্দীগা য়ুম্বান লন্দীদা চঙদুনা মচানুপা ২, নুপী অমা লৈরে।

এরিনা সবালেনকা মায়থিবা পীরল্লগা ইগা স্বাটেকনা মাদ্রিদ ওপনগী ট্রোফি থাঙ্গৎপা ঙমখ্রে

মাদ্রিদ, মে ০৫ (এজেন্সী): স্পেননা য়ুম্বু ওইদুনা চথুরকখিবা মাদ্রিদ ওপনগী ঙরাং শান্নখিবা ৱিমেন্স সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ইগা স্বাটেক্না এরিনা সবালেনকাবু মায়থিবা পীরল্লগা মাদ্রিদ ওপনগী ট্রোফি থাঙ্গৎখ্রে।

ঙরাং স্বাটেক অমসুং সবালেনকাগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা শান্নরোয় অনীমক্না অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখি। অহানবা সেটতা স্বাটেক্না ৭-৫ দা থোইখি। অদুবু অনীশুবা সেটতা সবালেনকানা ৪-৬ তা স্বাটেক থোইখি। অহুমশুবা দিসাইদিং সেটতা শান্নরোয় অনীমক্না মায় পাকপা ঙম্নবা মখোয়গী হৈ শিংবশিং মপুঙ ফানা উথোক্তুনা শান্নখি। অহুমশুবা সেট অদুগী ওইনা দ্যুসতা শান্নরবা মতুং ইগা স্বাটেক্না এরিনা সবালেনকাবু ৭-৬(৭) তা মায়থিবা পীরল্লগা মাদ্রিদ ওপনগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি।

ট্রোফি লৌরবা মতুং স্বাটেক্না ফোঙদোকখিবদা, এরিনাগা ফাইনেলদা লম্বা তৌনখিবা অসি মহাক্কী ওইনদি লাইবক ফবনি। মতম পুম্বদা মহাক্না লম্বা তৌনবা অসিনা ঐঙোন্দা অনৌবা লৌশিং কয়া পীরি। মতুং তারকপদসু ইবান্নি ফাইনেল কয়াদা লম্বা তৌনরকখিগনি হায়বগী চাওনা থাজবা লৈ। মাদ্রিদ ওপনগী টাইটল লৌবা ঙম্বা অসি মহাক্কী ওইনদি য়াম্না চাওথোকচনিঙাই ওইবা মীকুপ অমনি। অহানবা ওইনা মহাক্না মাদ্রিদ ওপনগী টাইটল লৌবা ঙল্লে। মতুং তারকপদসু ঙম্নবা হোৎনখিগনি হায়খি।

অমরোমদা এরিনা সবালেনকানা ফোঙদোকখিবদা, স্বাটেককা শান্নখিবা মেটচ অদু মহাক্কী মায়কৈদগী য়ারিবমখৈ মতম শাংনা শান্ননবা হোৎনখিবনি। অদুবু হন্দক চহীগী ওইনদি মহাক্না টাইটল অসি লৌবা ঙমখিদ্রবসু মথং চহীদদি শোয়দনা লৌবা ঙমগনি হায়বগী চাওনা থাজবা লৈ হায়খি।

পনবা য়াবদি মমাং চহীগী ওইনসু মাদ্রিদ ওপনগী ফাইনেলদা সবালেনকা অমসুং স্বাটেককী মরক্তা ফাইনেল মেটচ শান্নখি। মদুদা সবালেনকানা স্বাটেকপু মায়থিবা পীদুনা মাদ্রিদ ওপনগী ট্রোফি থাঙ্গৎপা ঙমখিবনি।

১৬শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০২৩-২৪

য়ু এস এনা এন এফ সী অদুগা এস জি এফ সীনা য়ু বী এফ সী থোইখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংগী গ্রাউন্দ অমদি আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দ লল্লোং থোংখোঙদা চথুরিবা ১৬লক শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০২৩-২৪গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা য়ু এস এনা এন এফ সী অদুগা এস জি এফ সীনা য়ু বি এফ সী মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.১৫ তাবদগী হৌরগা য়ু এস এ অমসুং এন এফ সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদা এন এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা খরা হেন্না লাকচনা শান্নবা ঙমখি। অদুবু য়ু এস এগী দিফেন্স লিংখিবনা মরম ওইরগা এন এফ সীগী এটেকশিং পাঞ্জল ওন্থোকপদি ঙমখিদে। মেটচ অদুগী ৪৫শুবা মিনটতা এন এফ সীনা পেনাল্টি কাওনবগী খূদোংচাবা অমা ফংখি। খূদোংচাবা অদু টিম অদুগী শান্নরোয় সুরজনা পাঞ্জলদা ওন্থোকপা ঙমখিবদগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এন এফ সীনা পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ৫৫শুবা মিনটতা এন এফ সীগী দিপকনা মখা তানা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। য়ু এস এগী মায়কৈদগী পাঞ্জলশিং অদু হন্দোক্নবা য়াম্না কন্না শান্নখি। মেটচ অদুগী ৬৩, ৭০ অমদি ৭৫শুবা মিনটতা য়ু এস এগী শান্নরোয়শিং মহেশ, তোম্বী অমসুং নেপোলিয়ননা থংন-থংননা পাঞ্জল অমমম্ চনবা ঙমখি। মেটচ লোইবা ফাওবদা এন এফ সীগী ওইনা মখা তাবা পাঞ্জলশিং চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু য়ু এস এনা পাঞ্জল ৩-২দা মায় পাকখিবনি।

অমরোমদা, নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদগী হৌরগা এস জি এফ সী অমসুং য়ু বি এফ সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা বোল পায়বগী চাং চাংচৎতা মান্নখি। মদুনা মরম ওইরগা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ৫১শুবা মিনটতা এস জি এফ সীগী প্রিয়োজিৎনা হৈনশিংনা য়ু বি এফ সীগী মায়কৈদা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মেটচ লোইবা ফাওবদা য়ু বি এফ সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু এস জি এফ সীনা পাঞ্জল ১-০দা মায় পাকখিবনি।

ফুটবোল্লর ২৬ কী মমিং লাউথোকপদা মণিপুরদগী মরি য়াওরক্লে

ন্যু দেল্লি, মে ০৫ (এজেন্সী): ফিফা ৱর্ল্ড কপ ২০২৬ প্রিলিমিনরি জোইন্ট ক্বালিফিকেসন রাউন্দগী ওইনা মথং থাদা কুৱেট অমসুং কাটারগা শান্নগদৌরিবা মেটচ অনী অদুগী শেম শানবগীদমক ইন্দিয়াগী নুপা টিমগী হেদ কোচ ইগোর ষ্টিমাকনা ফুটবোল্লর ২৬ কী মমিং লাউথোকপদা মণিপুরদগী মরি য়াওরক্লে।

হেদ কোচ ইগোর ষ্টিমাকনা ভুবনেশ্বরদা পাঙথোক্কদৌরিবা কেম্প অসিদা শরুক য়ানবগীদমক মমিং লাউথোকপদা য়াওরকখ্রবা মণিপুরদগী শান্নরোয়শিং অদুদি রোসন নাউরেম, জিকসন থৌনাউজম, মহেশ নাউরেম অমসুং সুরেশ ৱাংজমনি।

থা অসিগী ১০ দগী হৌরগা খল্লবা শান্নরোয়শিং অসি ওরিষ্যগী কোনুংদা ট্রেনিং কেম্প অসি চথবা হৌগনি। ইন্দিয়গী নুপা সিনিয়র টিম অসিনা মথং থাগী ৬ তা কুৱেটকা অহানবগী ওইনা কোলকত্তাদা লম্বা তৌনগনি। মদুগী মতুং মথং থাগী ১১ দা দোহাদা কাটারগা অনীশুবা মেটচ শান্নগনি। গ্রুপ এ গী ওইনা হৌজিক ইন্দিয়ানা পুন্না পোইন্ট ৪ ফংদুনা অনীশুবা মফমদা লৈরি। গ্রুপকী ওইনা টোপ ২ ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা টিমশিংনা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফায়র্সকী অহুমশুবা রাউন্দদা অমুক শরুক য়াগনি অমদি কুমজা ২০২৭ তা সাউদি অরাবিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা এ এফ সী এসিয়ন কপতা মফম কনবা ঙমগনি।

ভুবনেশ্বর কেম্পগীদমক অহানবগী ওইনা মমিং লাউথোকখ্রবা শান্নরোয় ২৬ অদুদি গোল কীপরশিং ওইনা অমরিন্দর সিংহ, গুরপ্রিট সিংহ সনধু; দিফেন্দরশিংদা এমি গানেশ রনাৱাদে, জয় গুপ্তা, লালচুংনুঙা, মুহম্মদ হামদ, নরেন্দর, নিখিল পুজারি, রোসন নাউরেম; মিদফিলদরশিংদা ব্রেন্দন ফর্নান্দেজ, এদমন্দ লালরিন্দিকা, ইম্রান খান, ইসাক ভানলালরোটফেলা, জিকসন থৌনাউজম, মহেশ নাউরেম, মোহমদ য়াসির, ননধাকুমার সেকর, রহুল কানোলি প্রভিন, সুরেশ ৱাংজম, ভিবিন মোহানন অমদি ফোৱার্দশিংদনা দেভিদ লালহানসাঙা, জিথিন মদাথিল সুব্রান, লালরিনজ্বালা, পর্থিব সুন্দর গোগোই, রহিম অলি অমসুং সুনিল ছেত্রিনি।

কার্গো এফ সীনা পাঞ্জল ২-১দা থোইখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচ এন এস): ওইনাম থিংঙেল লাইরেম্বী লম্পাক্তা এন দি ও এসনা শীন্দুনা চথুরিবা ৫রক শুবা ওইনাম চার্লি মেমোরিএল ৫-এসাইদ ওপন সোক্কর টুর্নামেন্টকী ওইনা ঙরাং কার্গো এফ সী অমসুং দ্রেস হাউস এফ সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অমদা কার্গো এফ সীনা দ্রেস হাউস এফ সীবু পাঞ্জল ২-১দা থোইখ্রে।

দ্রুবতারা ৱাবগাই মায়থীবা পীরম্লগা ক্লাসা ওইনামনা ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচ এন এস): হিয়াংলম এন্দ ৱাবগাই কাংখূৎ (হোক) অমসুং ৱাবগাই অৱাং লৈকাই য়ুঠ দিভলপমেন্ট এসোসিএসন (ৱালিদা)না খূৎশম্নরগা ৱাবগাই অৱাং লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা চথুদুনা লাকখিবা অহানবা লেট সী ঐচ অমুতোম্বী অমসুং লেট ঈ মোটিলাল নীংশিং কুমওন ষ্টেট লেভেল কেন্দ্রৱাইজ ওপন লীগ কম নোকআউট কাং টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ক্লাসা কাংখূৎনা দ্রুবতারা কাংখূৎ মায়থীবা পীরল্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী মপূ ওইবা ঙমখ্রে।

ক্লাসা অমসুং দ্রুবতারাগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ক্লাসানা দ্রুবতারাবু পাঞ্জল ২৪-১৯দা মায়থীবা পীরমখিবনি। মায় পাল্লবা ক্লাসা কাংখূৎতা ওর্গনাইজরগী মায়কৈদগী শেলগী মনা পীদুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা লোইশিনবগী থৌরম অদুদা ৱাবগাইগী হান্নগী জিল্লা পরিষদ মেম্বর ময়েংবম জয়ন্তকুমারনা অথোইবা মীথুংলেন, ৱালিদাগী প্রসিদেন্ট ময়েংবম রঞ্জিৎ লুৱাংনা থৌরম মপূ অদুগা কার্দ ৱাবগাইগী প্রসিদেন্ট হুইদ্রোম কেশ্বরজিৎ, সেদো হিয়াংলমগী জেনরেল সেক্রেটরি কোইজম অজিৎ অমসুং মণিপুর কাং এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ঈ আর মৈকাম জাদুমণিনা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মীথুংলেনশিংনা য়েলহৌ মশান্না ওইরিবা কাং অসি মুৎখিদনবা অমদি মসিবু য়োকখৎনবগী মতাংদা তোঙান-তোঙানবা ৱাফমশিং থমখি।

ꯐꯨꯠꯕꯣꯜꯂꯔ ꯲꯶ ꯀꯤ ꯃꯃꯤꯡ ꯂꯥꯎꯊꯣꯛꯄꯗꯥ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯗꯒꯤ ꯃꯔꯤ ꯌꯥꯎꯔꯛꯂꯦ

ꯅ꯭ꯌꯨ ꯗꯦꯜꯂꯤ, ꯃꯦ ꯰꯵ (ꯑꯦꯖꯦꯟꯁꯤ): [illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

Admission Open

JCRE Skill Solutions

COMMUNICATION: THE BRIDGE TO UNDERSTANDING

ENGLISH COMMUNICATION & SOFT SKILLS

Eligibility: 10th Pass & Above

Duration: 3 Months

KEY FEATURES

Listening Skills

Vocabulary Building

Pronunciation

Interview Skills

TENTATIVE START DATE: MID WEEK OF MAY 2024

TRAINING CENTRE
JCRE Skill Solutions
Kwakeithel Akham Leikai
Imphal West - 795001

AVAILABLE SLOT
06:00AM - 08:00AM

For More Details
+91 8798307379

HL-B/8662/6

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 1119

Roman Dzindzichashvili - Kalandazichvili
Georgia, 1967

1.e4 e5 2.Nf3 Nc6 3.Bc4 Nf6 4.d4 exd4
5.e5 d5 6.Bb5 Ne4 7.Nxd4 Bc5 8.O-O Bd7
9.Bxc6 bxc6 10.Be3 O-O 11.Nd2 Nxd2 12.Qxd2 Qe7
13.Nb3 Bb6 14.Qc3 f6 15.f4 fxe5 16.fxe5 Rfe8
17.Nc5 Qxe5 18. …

QUESTION :
White to win

Puzzle 1118 Solution :

28. Ng4+ Kh5 29.Nf6+
Your moves:29.Nf4+
Kh6 30.Ng8+ Kh5 31.Bg4+ The white bishop decoys Black's king. **Kxg4 32.Nf6+** The white knight attacks Black's king, which is defending the square g5. **Kh3 33.Ng5#**
1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com